# ওকতা লৈবা তীল - এসকারিস

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -




রাউন্দ ৱার্ম হায়না খঙনবা এসকারিস লমব্রিকোইওস ভার সুইস নৎত্রগা এসকারিস সুম কৌবা মনিং মমাঙ অনীমক পীকশিল্লগা তুমতক তৌবা অঙৌবা মচুগী তীলনি। মসি চাওরাক্লা ইঞ্চি ১২-১৪ ফাওবা শাংই। মসি হকচাং মনুংদা লৈবা তীলশিংনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা লায়না অমনি। মসিনা মরু ওইনা নহা ওইরিবা ওকশিংদা শোকহল্লি।

মপি ফারবা রাউন্দ ৱার্মশিংনা ওককী থিরিন মচাদা লৈদুনা নোংমদা মরূম লাখ ২ রোম কোকপা ঙমই। মরূমশিংদু ওকতুগী মথিদা য়াওরকই। অসিগুম্লবা তীল মরূম য়াওরবা ওকথীনা মোৎহল্লবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং চারু থক্লুবা অমদি ওকনাওশিংনা মপিগী মশাদা পল্লুম্বা তীল মরূমশিং মখোম থকপদা নৎত্রগা লেকপদা য়াওখিবদগী লায়না অসি লৌনরকই।

য়োৎশিনখিবা তীল মরূমশিংদু ওককী অপীকপা থিরিন মনুংদা মচা ওল্লকই। তীল মচাদুনা থিরিনগী মপান্দু হুৎলগা ঈচেন্দা য়াওরক্তুনা পুং ২৪গী মনুংদা ফিরাক্তা থুংলৈ। ফিরাক্তগী থম্মোয় ফাওদুনা লাক্লগা নুমিৎ ৪/৫নি শুরকপদা থবোম্বী মনুংদা ফাওদুনা চৎলিঙৈদা তীল মচাদু চাওখৎলকই। চাওখৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈ উতোং মচাদা চঙবা চন্দ্রবা তীল মচাদুনা থবোম্বীগী ঈ উতোং মচাশিং থুগাইরগা মথং মথং ফাওদোরক্লগা নুংশিৎ উতোংদা কাখৎলক্তুনা খৌনাও য়ৌরকই। খৌনাওদগী তীল মচাদু ওকতুনা অমুক য়োৎশিনখিবদগী থিরিন মচাদা থুংলৈ। অসুম্না নুমিৎ ২১দগী ২৯নি ফাওবদা তীল মচাদু মপী মপা ফাগে তৌনা চাওখৎলকপদুনা নুমিৎ ৫০-৫৫নিদদি মপী মপা ফারকই। অসুম্না নুমিৎ ৬০-৬২ শুরকপদগী অনাবা ওক অদুগী মথীদা তীল মরূম য়াওবা উরকই।

লায়না অসিগী লায়ওংদি ওকনাওশিংদা অপীকপা তীল মচাশিংনা হকচাং মনুংদা ফাওদুনা চৎপদা য়ারি য়াখোঙ অমসুং মনাক নকপা শাদোং য়ৌরকপদা ওকশিংনা ময়া কদ্রক-কদ্রক শায়রকই, ফিরাক য়ৌরকপদা ফিরাক থুগাইবদগী চাবা তুমহন্দে। থবোম্বী থুগায়বদগী লাইহৌগা লোয়ননা লোক কংখু খুরকই। মপি মপা ফারবা তীলশিংগী মশীং য়াম্লা লৈরবদি মশিঙ্গাগী উতোং ফুনগলক্তুনা থিংবা অমসুং থিরিন শোকপদগী থিবেৎ ফাইরকই অমসুং উনশাদা নাপু মচু কারকই। করিগুম্বদা থিরিন অদু চাফাৎপা অমদি তীলশিংদুনা হুত্তোকপদগী হোদুনা ওকশিং শিবা ফাওবা য়াওই। অসিদা নত্তনা নহা ওইরিবা ওকশিংগী থিরিন্দা তীলশিংনা মরৈ মরৈ য়েৎশিন-তাশিন্দুনা ফুনবদগী মবুক কংখৎলগা শিবসু য়াওই। লায়না অসিনা নহা ওইরিবা ওকশিংদা খরা হেন্না শোকহল্লি। অহল ওইরবা ওকশিংদদি মসিগী লায়ওং কয়া শেংনা উবা ঙমদে। অদুম ওইনমক তীল অসিনবু শোক্লবদি ওক খুদিংমক চাউজন থিল্লি অমসুং মশা নোয় পেন্দে। লোয়ননা অতোপ্পা লায়নাশিং চঙলকপদা মতেং পাংই।




লায়না অসি লায়েংনবগীদমক মখাদা পীরিবা হীদাকশিংসিগী মনুংদা অফংবা অমা শীজিন্নবা য়াই।

**১) পাইপজিন্স :-** পুং ১২ চরা হেলহল্লগা পাইপজিন শাইত্রেট, এজিপেৎ, হেক্সাহায়দ্রেৎ নৎত্রগা ডাইহায়দ্রোক্লোরাইদ গ্রাম ১ ওক কিলো ১০ লূম্বগী চাংদা অমুক্তদা পীজগদবনি। হীদাক অসি গর্ভ পুরবী ওকতসু পীবা য়াই।

**২) টেত্রামাইসোল :-** অহিং অমা চরা হেলহল্লগা অয়ূক্কী থাগদবা মচিঞ্জাক তঞ্জায়মুক্তা টেত্রামাইসোল মিলিগ্রাম ৩৫দগী ৫০ ফাওবা ওক কিলো ১ লূম্বগী চাংদা হাপ্লগা পীজগনি। মিনট ১৫ মুক লৈরগা লেমহৌবা মচিঞ্জাক্তু পীজগদবনি। য়াম্না লূম্বা অমসুং চাউবা ওক ওইরবসু টেত্রামাইসোল গ্রাম ৫দগী হেন্না পীবা য়াদে।

**৩) থাইএবেন্দাজোল :-** চরা হেলহন্দ্রবসু মিলিগ্রাম ৫ ওক কিলো ১ লূম্বগী চাংদা নৎত্রগা ০.১দগী ৮.৫% মচিঞ্জাক্তা য়াল্লগা পীজগদবনি।

**৪) অলবেন্দাজোল, মেবেন্দাজেল নৎত্রগা ফেনাবন্দাজোল :-** চাকখাও খরা হাঙলিঙৈদা মিলিগ্রাম ৫ কিলো ১ লূম্বগী চাংদা অমুক্তদা পীজগদবনি।

**৫) লেডামাইসোল :-** ওক কিলো ১ লূম্বদা লেডামাইসোল মিলিগ্রাম ৭.৫গী চাং ওল্লগা অমুক্তদা পীজগনি। পীজবগী মহুত্তা ইঞ্জেক্সন ওইনা ১৮.২% লেডামাইসোল সোল্যুসন মিলিলিটর ২ ওক কিলো ৪০ লূম্বদা কাপকদবনি।

**৬) ইডমেক্তিন :** ওক কিলো ১ লূম্বদা ইডমেক্তিন মিলিগ্রাম ০.৩ সবক্যুটেনস (উনশাগী মখাদা) কাপ্পদা হকচাং মনুংদা লৈবা তীলদা নত্তনা উনশাদা লৈবা হিক, হুইরি, মো-মানচিংবা মাঙহনবা ঙমই। অসুম্না ইডমেক্তিন মিলিগ্রাম ১০ য়াওবা আইডোমেক, মেকটিন নৎত্রগা নিওমেক মিলিলিটর ১ কিলো ৩০ লূম্বা ওক অমদা কাপকদবনি।

অসুম্না ঐখোয়না ওকোন শাবা মতমদা চাফম থকফম অমদি কুনফম তোঙান্না থম্বীগনি। নুমিৎ খুদিংগী মথী ময়ুং নীংথিনা শেংদোকপীগনি। ওকনাওশিং মখোম হেক খাইদোকপগা তীল হীদাক থাবীগনি। মচা খাইনরগা মপীশিংসু মথংগী গর্ভ পুদ্রিঙৈদা তীল হীদাক থাবীগনি। শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি, খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপী-শিংবী ওকতা পীজবীরোইদবনি। অহিংবা অতেকপা ঙা অমসুং ঙাগী মকু, শা শেমফম য়োনফমগী অরেম অখাক খুদিংমক ওকতা পীজবা তারবদি মৈদা মুন্না থোংদোকপীরগা পীজবীগদবনি। অসুম্না ঐখোয়না লূ-নান্না ওক লোয়বীরগদি তীল চেন্দনবা হোৎনমিন্নরসি। ●


# নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা অমসুং মসিগী তঙাইফদবশিং

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

নোং চুরকপদগী ফংলিবা ঈশিংশিং অসি লৈমায়দা চূপশিনবা য়াবা চূপশিনখ্রগা অহেনবা ঈশিংশিং অদুনা ঈরম, নালা, খোংবান, ঈচেল মচাশিং অমদি তুরেলদা তারবা মতুংদা অতোংবদগী অকুৎপদা চেন্থখিদুনা সমুদ্র য়ৌখি। মরম অদুনা লমদম অমদা ফংলিবা নোংগী ঈশিংশিং চাং য়াম্না শীজিন্নহৌদনা অয়াম্বা মাঙই। অসুম্না মাঙখিগদৌরিবা নোংগী ঈশিংশিং অসিবু খূৎশেমগী ওইবা পান্থে খরা শীজিন্নরগা মতুং তারকপদা শীজিন্ননবগীদমক ফাজিনবগী থৌওংবু নোংগী ঈশিং য়োকশিনবা কৌই।

মালেম অসিগী অপূনবা শরুক্কী চাদা ৩০না কংফাল ওইবা মতমদা লেমহৌরিবা চাদা ৭০না সমুদ্রনি। মালেম অসিদা লৈরিবা অপূনবা ঈশিংগী চাদা ৯৭ সমুদ্রদা লৈ। অসিগুম্বা ঈশিংশিং অসি থুমহী চেনবনা মরম ওইদুনা চানা থক্লুবা অমদি লৌউ-শিংউবগী শিনফম্নচিংবদা শীজিন্নবা য়াদে। কংফালগী লমদা ফংলিবা ঈশিং অসিনা মালেমগী অপূনবা ঈশিংগী চাদা ৩ খক্লি। মসিদসু অমুক শরুক অহুম থোকপগী অনীদি লৈনুংদা লৈ। লেমহৌরিবা শরুক অমা অদুসু অচৌবা চীংজাওশিংদা উন ওইনা নৎত্রগা নূঙজাওশিংগী মরক্তা উন ওইনা য়েপ্তুনা লৈখিবনা ঐখোয়না লায়না ফংবা ঙমদে। ঐখোয়না শীজিন্নবা য়াবা অফবা ঈশিং ওইনা ফংলিবসি তুরেল, পাৎ, পুখ্রি, খোংবালনচিংবশিংদা ফংলিবা কংফাল লমদা ফংবা অপূনবা ঈশিংগী ২/৫০ হায়বদি অপূনবা শরুক অদুবু য়াঙ্খে থোক্লা খাইদোক্লগা ফংলকপা শরুক অনীনি। অসুম্না ফংলিবা ঈশিংশিং অসিসু অতোংবদগী অকুৎপদা চেন্থদুনা অসুম পুথখিবনা সমুদ্রদা অমুক য়ৌখি।

মীওইবনা শীজিন্নবা য়াবা থুমহী চেন্দবা কংফালগী লমদা ফংলিবা ঈশিংগী শরুকশিং অসি নোংগী মতেংনা ফংলিবনি। নোং হায়বসি চহী অমগী মনুংদা অকক্লবা মতম অমসুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ফংবনা ফংলিঙৈ মতমদা মফম অদুদগী য়াম্না লাপথোক্তবা মফমদা ফাজিন্দুনা থম্নবগী পান্থেশিং থিদুনা মথৌ তাবা মতমদা শীজিন্ননবগীদমক য়োকশিনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে। মীওইবনা ঈশিংগী মথৌ তাবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি অদুগা অমরোমদা শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং ফংবগী চাংনা অসুম অসুম নেমথরকপনা মরম ওইদুনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবগী চাং হেনগৎলক্লি। খুদোংচাদবশিং অসিদগী কোক্লবগীদমক নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী থমদবা য়ারক্তে।




**নোংগী ঈশিং য়োকশিনবনা পীরিবা কান্নবশিং :-**

১) মসি য়াম্না লায়না ফংবা লোইবা নাইদবা মহৌশাগী খুদোলনি।

২) নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী লৈবনা সহরদা নোং খজিক্তং তাবদা ঈচাউ থোকহল্লিবসিদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংগনি।

৩) মসিনা লৈমায়গী মথক থংবা লৈহাও লৈবা লৈবাকশিং ঈশিং ঈচেলনা চেন্থখিবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংগনি।

৪) চাদিং য়াম্না তৌদনা ঈশিং লিশিন্নবগী অফবা পান্থে অমনি।

**নোংগী ঈশিংশিং অসি য়োকশিনবগী পান্থেশিং :-**

নোংদগী ফংলক্লিবা ঈশিং অসি মওং অহুমদা য়োকশিন্দুনা মতুং তারকপদা শীজিন্ননবা থম্বা য়াই।

১) নোংদগী ফংলক্লিবা ঈশিংশিং অচৌবা ঈরিফম অমদা থম্বা।

২) য়ূমশিংদগী ফংলক্লিবা নোংয়াহিশিং লৈনুংদা চূপশিলহনখিদুনা লৈনুংগী ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎহনবা।

৩) লৈমায়দা ঈচেল ওইনা লৈরিবা ঈশিংশিংবু লৈনুংগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎহনবা।

**১) অচৌবা ঈরিফমদা তুংশিনবা :-** নোংদগী ফংলক্লিবা ঈশিংশিং অদু অথিংবা য়াওদনা ঈরম নালা, তুরেলদা তারগা সমুদ্র য়ৌহনখিগদবগী মহুৎ ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্বা য়াবা মহৌশাগী ওইবা মফম (পাৎ) নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইবা মফম (পূখ্রি, দাম) শিংদা চেনশিনহন্দুনা লিশিন্দুনা থম্নবগী পান্থেশিং শেম্বীদুনা য়োকশিনগদবনি। অসুম্না তুংশিন্দুনা থল্লিবা ঈশিংশিং অসিনা ইমুং মনুংগী নোংমগী মথৌ তাবশিং অমদি লৌউ-শিংউবা নৎত্রগা পোত্থোক পুথোক্লিবা শিনশঙশিংদা শীজিন্নবা য়াগনি।

**২) নোংয়াহিশিংনা লৈনুংগী ঈশিং ঈমাই ৱাংখৎহনবা :-**

য়ূম য়ূমদা থোরক্লিবা নোংয়াহিশিং অদু মওং চুম্না পুরক্তুনা লৈনুং য়ৌনা ঈশিং চূপশিনখিবা য়াবা মফমশিং শেম্বীদুনা মফম অদুদা তুংশিন্নবা হোৎনগদবনি। অসুম্না চূপশিনহনখিবা ঈশিংশিং অসিনা লৈনুংগী ঈশিং ঈমাই ৱাংখৎহনগনি।

**৩) ঈচেলশিংবু লৈনুংগী ঈমাই ৱাংখৎহন্নবা শীজিন্নবা :-**

লৈমায়দা লৈরিবা ঈচেলশিং অসিবু অথিংবা য়াওদনা চেলহনবগী মহুত্তা ঈরমশিং অসিগী মরক্তা পল ময়াম অমা হাপ্তুনা থল্লবদি ঈশিংশিং অদু লৈনুংদা য়াম্না চূপশিন্নবগী খুদোংচাবা অমা ফংই। অসুম্না চূপশিনখিবা ঈশিংশিং অসিনা লৈনুংগী ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎহন্দুনা মতুং তারকপা মতমদা শীজিন্ননবগীদমক থম্বা য়াই।

নোংগী ঈশিং ফাজিন্দুনা/য়োকশিন্দুনা থম্নবগীদমক পান্থী থাদনা লৈরিবা অহাঙবা লম্ফাংশিং কুমগী নোং মমাঙদা লৈচঙ লৈনা খোইদোকপীগদবনি। ঐখোয়গী লৌফমশিং চহী খুদিংগী নৎত্রবসু চহী ২/৩ কান্ন-কান্নরগা ইঞ্চি ৮-১০গী লৈচঙ লৈনা খোইবীদুনা মফম অদুদা তারিবা নোংগী ঈশিং অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং লৈনুংদা চূপশিনহন্নবা হোৎনগদবনি। অসুম তৌবসিনা মতুং তারকপদা থাগদৌরিবা পান্থীশিং ঈশিং চনবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি।

মতৌ অসুম্না ঈশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক চহী অমগী মনুংদা ফংলিবা নোংশিং অসি য়ারিবমখৈ মফম অদুগী অনকপা মফমশিংদা তুংশিন্দুনা থম্নবা পান্থেশিং থিবীনবা খন্থবা মতম য়ৌরে। ●

# হীদাক শীজিন্নদনা নাপী করম্না লাকশিনগনি

- লোংজম বোরিস -

অফবা মরূ অমদি লৈবাক লৈহাও অফবদা চাথোক য়াম্না ৱাংবা মরূ ভেরাইটি কয়া পুথোক্লবসু নাপীশিংনা মরম ওইদুনা চাথোক্তা য়াম্না চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। লৌউ-শিংউবদা অপূনবা চাথোক্কী শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমগী চাংদা নাপীশিংনা চাথোক হন্থহল্লি। নাপীশিংনা চহী অমদা য়ু এস বিল্লিয়ন দোল্লর ১১ য়ৌনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়না অখঙ অহৈশিংনা পান্নরি। নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপীশিং অসি লাকশিনবা পান্থে অমা ওইরবসু ওর্গানিক ফার্মিং মতম অসিদা অকোয়বগী খল কায়হন্দবা অমদি তুং কোইনা চৎপা য়াবা পান্থেশিং থিদুনা নাপীশিং অসি লাকশিনবা হায়বা অসি তঙাইফদে।

**নাপী মরূশিং ঙাকথোকপা :-** নাপী মফম অমদগী অমদা শন্দোকপদা শা-ষণ, শম্পোৎ খোইবদা শীজিন্নবা খূৎলায় (Tillage machinery) অমদি থাবদা শীজিন্নবা মরূশিং (seeds) দগী শন্দোকই। মরম অসিনা শম্পোৎ খোইবদা শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায় অমদি মেছিন য়ারিবমখৈ অতোপ্পা মফম অমদা শীজিন্নদ্রিঙৈদা চামথোকপীগদবনি। অফবা মরূ অমদি থাগদৌরিবা লৌফমগী লৌরি অমদি অকোয়বদা লুনা নান্না থম্বনা নাপীশিং লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

**Stale seed bed technique :-** Stale seed bed technique অসিদা নাপী মরূশিং অসি পান্থী থাদ্রিঙৈ মতমদগী হৌদুনা মাঙহন্নবা হোৎনৈ। মরূ হুনগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদগী লৈবাক অসি সেন্টিমিটর ১-২গী চাংদা খোইদোকপীদুনা কুমগী নোং (monsoon) নৎত্রগা ঈশিং পানা চাইদুনা হৌরকপা নাপীশিং মাঙহনবা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না তৌরবদি নাপী হৌবগী চাং অসি চাদা ৩০-৮০ ফাওবা য়ৌনা হন্থহনবা ঙম্মী।

**Soil Solarization :-** Soil solarization হায়রিবা থৌওং অসিদা লৈবাক লৈহাওগী শাবগী চাং অসি অকোয়বগী টেম্পরেচরদগী 8-10° C য়ৌনা হেনগৎহন্দুনা নাপী মরূশিং মরূ পোকহনবা অমদি ময়োন চোংবা ঙমহন্দে। মৈঙান ফাওবা ঙম্বা প্লাষ্টিক চেরং (Trasnsparent plastic sheet) অমা শীজিন্নদুনা ঈশিং ঈনিল ৱাংনা য়াওরবা লৈবাক চাবা চাং হেনগৎহনবা অসিনা নাপী মরূ অমদি লৈবাক্তা লৈবা শাথীবা তীল কয়া অমসু লাকশিনবা ঙম্মী। অদুবু মকু অকনবা য়াওবা নাপীশিং e.g *Melilotus* spp. শিং অসিদি solarization না লাকশিনবা ঙমদে।

**শম্পোৎ খোইবা :-** শম্পোৎ খোইবা (tillage) অসি লৌউ-শিংউবদা চঙদবা য়াদ্রবা থৌওং অমা ওইরবসু লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা লৈরোন্দা নাপী মরূশিং য়ৌহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। কাঙলোন চুম্না শম্পোৎ খোইবা অসিনা হান্না হৌরম্বা নাপীশিং ফুক্তৎতুনা লৈরোন্নুংদা চঙহন্দুনা মাঙহল্লি। কালেনগী মতমদা শম্পোৎ খোইবা অসিনা চহী চূপ্পা হৌবা শাথিবা নাপী মখলশিং *Cyperus rotundus* অমদি *Cyanodon dactylon* লাকশিনবদা চাউনা মতেং ওই। Zero tillage/minimum tillage না নাপীশিং হৌবা অসি লৈবাক লৈহাওগী মথক থংবা শরুক খক্তদা হৌহল্লি অমদি লৈরোন য়ৌনবা নাপীশিং চঙহন্দে। Zero tillage না *Phalaris minor* হৌবা ঙমহন্দে অদুবু *Rumex dentatus* অমদি *Malva parviflora* হৌবদা অপনবা পীবা ঙমদে।

**Mulching :-** পান্থীগী অরেম-অখাকশিং (crop residue) না লৈবাক্তা য়াওবা নাপী মরূশিং হৌহনবদা চাউনা থৌদাং লৌই। লৈমায়গী মথক্তা পান্থীগী অরেম-অখাকশিং লৈবনা নুংশা মঙাল চঙবগী চাং হন্থহল্লি অমদি ঈশিং ঈনিল ফাজিন্দুনা নাপীশিং মরূ পোকখায়বদা তপথহল্লি অমদি নাপীশিং হৌবগী চাং হন্থহল্লি। লৌ পরি অমদা পান্থীগী অরেম-অখাক অসি টন ৫-৭গী চাংদা হাপ্পীরবদি *Phalaris minor, Chenopodium album, Rumex dentatus* হায়রিবা নাপী মখলশিং অসি চাদা ৪৫-৮৮গী চাং য়ৌনা হৌবা ঙমহল্লি।

**Crop Diversification অমদি intercropping :-** Crop rotation তৌবা অমদি পান্থীশিংগী মরক্তা অতোপ্পা পান্থীশিং থাবা (intercropping) তৌবা অসিনা নাপী হৌহনবদা চাউনা মতেং পাংই। ৱাংবা মান্নদবা অমদি পান্থীগী মসা-মরেং খেন্নবা (different crop canopy) লৈবা পান্থীশিং থাবনা নাপীশিং হৌহনবদা চাউনা মতেং পাংই। *Striga, Orabanche* অমদি *Cuscutta* হায়রিবা নাপীশিং অসি ক্রোপ রোটেশন অমদি ইন্টরক্রোপিং তৌদুনা নীংথিনা লাকশিনবা য়াই। মতম তেনবা হৱাই ধরাগী পান্থীশিং e.g cowpea, green gram, soybean অসিগা চুজাক, pigeonpea শিংদা থাবনা নাপীশিং হৌবগী চাং হন্থহল্লি। চান্নবা পান্থীশিং খন্দুনা থাবীবনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবতা নত্তনা ঈশিং ঈনিল ফাজিনহল্লি অমদি নাপীশিং হৌবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

**হার হাপ্পগী মওং :-** মহৌশানা নাপীশিংনা পান্থীশিংদগী হার শীজিন্নবগী চাং (nutrient use efficiency) হেল্লি। থারিবা পান্থী অমদি লৈবাক লৈহাওগী মতুংইন্না হার হাপ্পীবা তঙাইফদে। Farm yard manure (FYM) অমদি অতোপ্পা ওর্গানিক মেন্যুরশিং অসি নাপী মরূ চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না নাপী হৌবগী চাং হেনগৎহল্লি। অমরোমদা য়েন্থি (poultry manure) নাইত্রোজেনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না য়েন্থি হার ওইনা শীজিন্নবনা Orobanche নচিংবা নাপীশিং হৌবগী চাং হন্থহল্লি।

**ঈশিং শীজিন্নবা :-** ঈশিং কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবনা নাপীশিং হৌহন্দবদা চাউনা মতেং পাংই। নাপীশিং হৌবগী চাং অসি ঈশিং ঈনিল কা হেন্না ৱাংবা মতমদা হেন্না হৌই। লৈমাইদগী ঈশিং সেন্টিমিটর ৫গী চাংদা থম্বীরবদি ওক্সিজেন ৱাৎপগী ফীভম অমা ওইহন্দুনা নাপী মরূ পোকখায়বা অমদি ময়োন চোংবা ঙমহন্দে। দ্রিপ ইরিগেশন শীজিন্নবনা পান্থীগী অকোইবখক্তমক ঈশিং ফংহন্দুনা নাপী হৌবগী চাং হন্থহল্লি অমদি ঈশিং শীজিন্নবগী চাং {(water use efficiency) হেনগৎহল্লি।

**অহিংবা জীবশিং শীজিন্নবা :-** নাপীশিং অহিংবা জীব শীজিন্নদুনা লাকশিনবসু য়াই। *Parthenium hysterophorus* অসি *Zygogramma bicolorata* হায়রিবা অসি শীজিন্নদুনা লাকশিনবা য়াই। Water hyacinth অসি *Neochetina spp.* শীজিন্নদুনা লাকশিনবা য়াই। *Salvinia molesta* অসি *Cyrtobagus salviniae* শীজিন্নদুনা লাকশিনবা ঙম্মী। *Colletotrichum gloeosporioides* f.sp *aeschynomene* শীজিন্নদুনা northern joint vetch অসি লাকশিনবা ঙম্মী। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১১০গী ৱাহং

১) ‘ঐহাকসু মতম অদুদদি ভারতকী দর্শনদা ঙাওজবা মীশক ওইনা তৌবদুনা মতাং চায়-চাদে খঙদনা ভারতকী স্পিরিচুয়েলিটি (আধ্যাত্মিকবাদ) হায়দুনা পংঙাঙদা ঙাঙই।” ৱাহে পরেং অসি ময়াম্না খঙনরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা য়াওবা ৱাহে পরেংনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “কবিতাসিনা ঐঙোন্দা অনৌবা থৌনা অমা হাপ্পীরে। ‘হোয়দা ঐনা নহানি হায়দুনা মায় পাকপা পাক্তবদা ইকায় ফিরুক খুমগদৌবসু নত্তবসিদবু’ হায়দুনা...।” ৱাহে পরেং অসি মণিপুরীদা অতোপ্পা লোলদগী হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা হন্দোক্লিবনা ফোঙদোকপনি। হন্দোক্লিবা অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু। লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৩) “নোং অসিবু চুররোইদ্রা” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) “যুগ পুবা ফাগি তৌবা অহুম তোম্বী, বাবু, চাউবা ফাগিগী মহারথী অমমমনি। মায়কৈ ঙাকপা লাই অমমমগুম্বনি।” ৱাহে পরেং অসি ৱারেংগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। মসি য়াওরিবা লাইরিক অমসুং ৱারেং অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) “বসন্ত ওইগেরা নাকেন্থা ওইগেরা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।